ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা ককচিং কৈথেল থোংখোঙদা শাবা পুলিস বুথ অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎনা হাংদোকখিবা

রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী কার্দিওথোরাসিক এন্দ ভাস্ক্যুলর সর্জরি য়ুনিটনা শীন্দুনা সী এম ঈ কম ৱার্কশোপ ওন পেদিয়াট্রিক কার্দিয়াক সর্জরি পাঙথোকখিবা

কংলৈ ঙাক্লৌগী লাইনিংথৌ নোংশাবা তেঙ্গোলগী অহানবা লোয়শঙ অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাংপুরেল অৱাং লৈকায়দা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা কংলৈ ঙাক্লৌগী ফিরাল চিংখত্তুনা হাংদোকখিবা

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা টেনভিক স্পোর্টসকা খূৎশম্নদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী তেংবাঙ মখাদা কৈথেলমানবীগী দ্রিমলেন্দ টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরকপা কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম লোইশিনখিবা

লোয়শঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : কংলৈ ঙাক্লৌগী অহানবা ফমখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ঙসি ইঙাগী ৪নি পানবা নুমিত্তা লাইনিংথৌ নোংশাবা তেঙ্গোলগী অহানবা লোয়শঙ অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংপুরেল অৱাং লৈকায়দা হাংদোকখ্রে।

অহানবা লাইনিংথৌ নোংশাবা তেঙ্গোল হাংদোকপগী থৌরমদা তেঙ্গোল মঙাগী তেঙ্গোল লাকপা অমদি হঞ্জবশিংগা লোয়ননা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা কংলৈ ঙাক্লৌগী ফিরাল চিংখৎখি। ঙাকশেল লৌসাংখোংগী পাথৌ ঙাকশেল্লোইশিংনা ঙাক্তদবা মচৎ নিপালসু পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা লাউথোকখি। আই পি এ ইপুনা থম্বীরম্বা খুভল্লেনশিং কনবনা কংলৈ ঙাক্লৌগী লৌসাংখোং অমা ওইরিবা ঙাকশেল লোয়শঙগী লাইনিংথৌ নোংশাবা তেঙ্গোলগী লেংদবা থৌদাং ওইগনি হায়বা ৱাফমসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

গাইদেন্স এন্দ প্রি-মেদিকেল দ্রাইভ

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী পি আর ও এন্দ স্পোক্সপার্সননা থাদোরকপা চেরোল অমনা নহা ওইরিবা খুঞ্জাশিংগী তুংগী পূন্সিদা য়াইফনবগীদমক ইন্দিয়ন আর্মিনা অগ্নিবির এন্ট্রি স্কিমগী মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কম্মন এন্ট্রান্স টেষ্ট মায় পাক্লবা নুপামচাশিংগী প্রি-মেদিকেল দ্রাইভকীদমক গাইদেন্স সেসন অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লাক্লিবা ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লিশিংগীদমক শেম-শাবা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিনা নুপামচাশিং অদুদা চয়োল ৯গী এস্পিরেন্টস ত্রেনিং পীগদৌরি। প্রি-মেদিকেল টেষ্ট অদুনা মখোয়গী মশা-মশাগী হকচাংগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা মখা তানা চেকশিন্না লৈননবা লমজিং-লমতাক পীগনি হায়রি।

সম্মর কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী পি আর ও অমসুং স্পোক্সপার্সননা থাদোরকপা চেরোল অমনা লৈমখোং মিলিটরি ষ্টেসন্দা চথরকপা সনসাইন সম্মর কেম্প লোইশিনখ্রে হায়রি।

সম্মর কেম্প অদুদা চহী ৪দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা এক্সপরিয়েন্স কয়া তম্বীখি। অঙাংশিংবু এদভেঞ্চরনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা হরাও-নুংঙাইবা মওংদা তাকপী তম্বীখি। মদুদসু নত্তনা মখোয় মশা-মশাদা লৈজবা ক্রিএটিভ এক্টিভিটিশিংসু পাঙথোকহনখি। কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা অঙাংশিংদা সেল্ফ রিলাইয়েন্স অমসুং কনফিদেন্স লৈনবগীদমক ফর্ষ্ট এইদ, ফর্ষ্ট এইদ কিট শেম-শাবা, চান-থক্লবা শেম-শাবা অমসুং মৈ য়াওদনা থোং-থাকপনচিংবা দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি হায়রি।

শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : হেদ কার্টর আই জি এ আর (সাউথ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোরেদা অসাম রাইফলসনা শিৎ-শেংবগী দ্রাইভ অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা শীল-লাঙদুনা মিসন ভেং ভিলেজ অমদি মোরে টাউনগী দালপতি গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৮দা শিৎ-শেংবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংদা হায়জিন অমসুং সেনিটেসনগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবা প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা হকচাং নাদ-য়েক্তা অমসুং তীঞ্জং-কায়জংদনা থম্নবগীদমক্তা করি-করি পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা এদ্যুকেসনল লেকচর অমসু খুঞ্জাশিংদা পীখি। থৌরমদুদা পুন্না খুঞ্জা ৮৫ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

মান্নদবা খেন্নবা অপীকপা অখুবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নবা মথৌ তারি : কে ঐচ শিনি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : মালেমগী মীয়াম মমাঙদা শক-চু থোক্লা হিংবা ঙম্নবা, অনৌবা পুন্সিরোল অমা ওইবা ঙম্নবা য়েলহৈমী ফুরুপশিংগী মরক্তা মান্নদবা খেন্নবা অখুবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নবা মথৌ তারি হায়না মণিপুর ৱিমেন্স ফেদরেসন (এম দব্লিয় এফ)কী প্রসিদেন্ট খুন্দোংবম শিনিনা ফেদরেসন অসিনা শাফোঙলকপা চহী ১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা মীয়ামদা পীরকপা পাউজেল অমদা ফোঙদোরক্লি।

পাউজেল অদুনা মখা তারদুনা, মণিপুর ৱিমেন্স ফেদরেসন অসি ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)কী ৱিমেন ৱিং অমা ওইনা মণিপুরগী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখত্তুনা শেন্থোক লৈবী নুপী অমমম ওইহনবগা লোয়ননা হীরম কয়াদা লৈবাকসিগী য়াইফনবা থবক কয়াদা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা নুপীদা চথরক্লিবা ক্রাইমশিং হন্থহন্নবা ৱাখল্লোন পাকথোক-চাউথোক্লা নুপী খুন্নাইগীদমক থবক-থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙম্নবা হৌখিবা চহীগী জুন ১১দা লমদমসিদা শাফোঙলকখিবনি।

ঙসিদগী চহী ৫০গী মমাঙদা লমদমসিদা শাফোঙখিবা খ্বাইদগী লিরবা নুপীশিংগী ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা মণিপুর চনুরা লৈশেম মরুপ (মচা লৈমা)গী মরু ওইবা থৌদাং পুরক্পা থৌমীশিংনা মপুং ওইবা ইগজিক্যুটিভ কম্মিটি অসিনা লৈবাক মীয়ামগীদমক থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী হৌদুনা চিন কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শিংনদুনা মীতৈ কম্যুনিটিগী মথক্তা লান্দারক্লি। মসিদগী লাঞ্জেন্নরক্লবা মীয়ামগী অৱা-অনাদা শরুক য়াদুনা মথৌ তাবা হিদাক-লাংথক, চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংদুনা লাক্লি। অসিদসু নত্তনা চথরিবা লানসিদা খুল ঙাকপগী থৌদাংশিং চপ চানা ঙসিসু লৌদুনা লাক্লি।

মণিপুর ৱিমেন্স ফেদরেসন্না মপুং ওইবা হীরম খরদা য়ূম্ফম ওইরগা মীয়ামগীদমক থবক কয়া পাঙথোক্লি। ৱিমেন ইন্স্পৱারমেন্ট (নুপীদা অকনবা পাঙ্গল পীবা) হায়বা পান্দমসিগী মখাদা খুন্নাইসিগী নুপীশিংবু থাক ৱাংনা থন্বা মথৌ তাই হায়না লৌদুনা খুন্নাই অসিগী নুপীশিংনা লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌদাশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

অমরোমদা, মহে-মশিং (এদ্যুকেসন)গা মরী লৈননা নুপীশিংবু মতিক চানা মহে-মশিং হৈহনবগা লোয়ননা মপুং ওইবা লৈবাক্কী লো খঙহন্নবা, ইশাগী ইথৌদাং অমদি রাইটশিং খঙহনবা তঙাইফদবা মরম্না মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা শোত্থরবা ইমুংগী মহৈরোয়শিংদা লাইরিক তম্বদা চঙগদবা পোৎলম কয়া মতেং পাংদুনা লাক্লি। হকশেলগী লম অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগী লমদসু এম দব্লিয় এফনা লৈবাকসিগী মীপুম খুদিংমক্তা মতেং পাংবা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অসুম্না তেল্লবা মতম খরসিদা লৈবাকসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি নুপীশিংগী থৌনা-পাঙ্গল হেনগৎনবা লোয়ননা মখোয়গী শেন্থোক লন্বী পীনবগী পান্দমদা থবক কয়া লেপ্তুনা তৌখিগনি হায়রি।

'জিরিবাম মৈ চাক্লিঙৈ পি এমগী ৱাশকপা য়াওরমদ্রবদি মথৌদাং মশক খঙবা সী এমনি খঙলমগদবনি'

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ঙরাং লম্লাই লোকল কাউন্সীল, সী পি আইগী ৪৭শুবা চহীগী কনফরেন্সনা জিরিবামগী মফম কয়াদা য়ূম মৈ থাখিবা, চহী ফারবা কাঙলুপকী ৱাথোক অমুক হন্না মখা শাংথরকপগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অমা পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্না খুদক্তা কন্ট্রোল তৌনবা সিক্যুরিটিশিংনা ঙাক শেন্দুনা দিসপ্লেস পার্সনশিংবু খুদক্তা ময়ূম-ইস্কোলদা থমগদবনি। লোয়ননা পোলিটিকেল সোল্যুসনগী থবক হৌনবা অচেৎপা ৱারেপশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী ওফিস সেক্রেটরি টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা কমরেদ শ্যামকেশ্বরনা পার্টিগী ফিরাল হৌনবী মতুংইন্না চিংখৎলবা মতুংদা ষ্টেট সেক্রেটরি সী পি আই কমরেদ এল থোইরেননা হৌদোক ৱারোল পীখি। মহাক্না হায়খিবদা, জিরিবাম মীয়ামগী য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাবগী অৱা-অনা অমসুং মীহাৎ-মীপুন থোক্লিঙৈ, মশাগী ষ্টেটকী অৱা-অনা তুংওইননা থল্লম্লগা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাশক লৌবা য়াওনবা দেল্লিদা লৈথোকপসি মথৌদাং খঙদবা থৌওংনি। জিরিবামদা ঈৱাং থোক্কদৌরে হায়বসি হন্দক্কী থৌদোকসিগী মমাঙদগী উংখৎনরকপা উনখ্রবনি। অদুবু তুংওইননা থল্লল্লিবা অসিনদি মণিপুরগী মীয়াম শিসনু, জিরিবামদা ৱাথোক থোকসনু, মীহাৎ-মীপুন মখা শাংথখিসনু হায়বা ৱাখল্লোন অমা লৈরব্রা হায়বদু সী পি আইগী মায়মৈদগী লৌদবা ঙল্লোই। মরম অদুনা সী এমনা থম্মোয় শেংনা মীহাৎ-মীপুন, মৈ থাবগী থৌওংশিংসি খুদক্তা কন্ট্রোল তৌ হায়খি।

ঙসিগী কনফরেন্স অদুদা ষ্টেটকী ওফিস বিয়াররশিং কমরেদ এল সোটিনকুমার, কমরেদ এম জয়কুমার লুৱাং, কমরেদ আর কে অমুস্নানচিংবসু শরুক য়াখি। কমরেদ এস ঐচ পুর্ণিমাসি, লোকল সেক্রেটরি অমদি কমরেদ রনবির অনীনা ওর্গনাইজেসন অমদি পোলিটিকেল ড্রাফ্ট রিপোর্টশিং পুথোক্তুনা নৈনরবা মতুংদা পাস তৌখি। কমরেদ এল সোটিনকুমারনা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা লৈবাকসিগী হৌজিক লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক অসি মরা চেত্তবা লৈঙাক অমা শোয়দনা ওইরগনি ফোঙদোকখি হায়রি।

মরী লৈনবশিংনা লম্বীগী ফীভম য়েংশিনবীয়ু : বজার বোর্দ

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ৱাবগাই লমখায় বজার বোর্দকী সেক্রেটরি এম নোদিয়াচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ৱাবগাই লমখায় বজারগী নাক-য়েত্তা চৎলিবা লম্বীগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মণিপুরগী খা মায়কৈগী অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট হায়ৱে অমসু ওইরবা ৱাবগাই লমখায় বজার ফাওদুনা চৎলিবা লম্বী, বজার অসিগী খারোমদা শুগুনু তম্না চৎখিবা লম্বীশিং অসিদা মতম কুইনা মেনশিনবীদ্রবা পোট হোল কয়াগী ফীভম থাবদা ৱাৎলগদবা ঙাক্তনি। মসিগা লোয়ননা বজার অসিদগী নোংপোক পাঙনা ককচিংলোমদা চৎখিবদা মিটর ২০০ রোম চৎলগা লম্বী ময়াইদা লৈরিবা কোমজাওশিং অসি মখোঙ মরি পানবা গাড়ীশিংগীদি খরা শাফব্রবসু অনী পানবা গাড়ীমচাশিংদি কোমদা তাশিন্দবা, তুশিন্দবা য়াওদ্রবনি। ফোর লেন্দ এক্সপান্সনগী ৱারী তুংওইনবীরগা লম্বীসি চৎপা য়ানবা হোৎনবীয়ু হায়না মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। খুদোংথিবা মশীং য়ামশিল্লক্লবদি পব্লিক ক্রাইম লাকপসু য়াই হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারি।

অসাম রাইফলস অমত্তা লেম্না থাদবা হায়না ৱারেপ লৌরে : বি ঐচ এম

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ভারত হিন্দু মহা সেনা (বি ঐচ এম এস)গী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স ৱিং, দেল্লিদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ভারত হিন্দু মহা সেনাগী আর্মি হৌজিক য়াম্না থুনা জিরিগী বোর্দরদা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈননবা খঙহল্লকখ্রে। কুকিশিংনা মৈতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরবনিনা জিরিদা লৈরিবা মীতৈশিংগী থৱায় কন্ননবা ওল ইন্দিয়া হিন্দু মৈতৈশিং য়াম্না থুনা শিল্লোংদা মীটিং অমা ফম্নবগীদমক ইশা-ইশাগী য়ূম থাদোকপীরো হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মণিপুরগী নোংচুপ থোঙ ওইরিবা ৱেষ্ট গেট অসি অথুবা মতমদা থিংজিনবা, লোয়ননা কুকি লাল হৌবশিং থিংননবা থৌরাং তৌবদা অসাম রাইফলসনা কুকিশিংদা মতেং পাংলিবসি তোক্লবা অরোইবা ওইনা হায়রক্লি। করিগুম্বা মসিগী মতুংদা অমুক হন্না অসাম রাইফলসনা মৈতৈশিংগী মায়োক্তা লান হৌরিবা কুকিশিংদা মতেং পাংলকপা থোক্লবদি লোগী মতুংইন্না ঐখোয়না অসাম রাইফলস অমত্তা লেম্না থাদবা হায়নসু ৱারেপ লৌরে হায়রি।

অমরোমদা, বি ঐচ এম এসকী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অথুবা মতমগী মনুংদা জিরিবামদা খুন্দারিবা মৈতৈগী মীচম-মীয়াম্না হৌজিক-হৌজিক অৱাবা তারিবা অসিদা মতেং পাংবা ঙল্লোইদবা ওইরগদি ভারত হিন্দু মহা সেনানা জিরিগী বোর্দরশিং ঐখোয়না ওইনা ঙাকচনবা অদুগা য়াম্না থুনা অসাম রাইফলসপু জিরিদা থমদনবা হোৎনবা হায়না ৱারেপ লৌরেসু হায়রি।

সেমিনার কম ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : পলেম থাঙ-তা শিন্দমশঙগী সেক্রেটরি চোংথাম প্রেমাবতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থা অসিগী ৯, নোংমাইজিং নুমিত্তা তেরা তোংব্রম লৈকায়গী মাইবম বোবোগী শঙলেন্দা পলেম থাঙ-তা শিন্দমশঙনা শীন্দুনা থাঙ-তাগী ওইবা সেমিনার কম ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদু সঙ্গীট নাটক একাদেমী, ন্যু দেল্লিগী তেংবাঙগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি। সেমিনার হৌদোকপদা সোসল ৱার্কর ঐচ নিমাই, য়ুথ ফোরমগী প্রসিদেন্ট টি পিশক অমদি য়ুথ ফোরমগী সেক্রেটরি এম ধনবিরনা মথংশিংনা থৌরম মপু, অথোইবা মীথুং অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইখি। ডা. এম রোসিলানা সেমিনার অদুগী মোদরেটর ওইখি হায়রি।

কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম মণিপুর লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর (দি আইও), কাংপোকপীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা য়ুথ কোচ লেভেল ৱান সর্টিফিকেসন কোর্স ত্রেনিং 'কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম, মণিপুর ২০২৪' ঙসি লোইশিনখ্রে হায়রি।

ইনখৎলক্লিবা কোচ ২০দা পীখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু থা অসিগী ২দা কৈথেলমানবীগী দ্রিমলেন্দ টর্ফ গ্রাউন্দদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীগা খূৎশম্নদুনা টেনভিক স্পোর্টসনা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী তেংবাঙ মখাদা পাঙথোকখিবনি। ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসরশিং, দেপ্যুটি কম্মিস্নার কাংপোকপী মহেশ চৌধুরি আই এ এসনা লুচিংখি। ত্রেনিংদা য়াওখিবা কোচশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহেশ চৌধুরিনা হায়খিবদা, অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া ফংলবা কোচশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্টসিগী খুলশিংদা হৌরক্লিবা নহাশিংবু গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা লমজিং-লমতাকপীবা ঙম্লগনি হায়খিবগা লোয়ননা মখোয়দা সর্টিফিকেটশিংসু খূৎশিন্নখি হায়রি।

ইফেক্টেদ ভিলেজ কল্টিভেসনগী মীফম ফম্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী ফার্মরস ৱিংগী কনভিনর কে থোইবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঈচাওনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখিবা ইফেক্টেদ ভিলেজ কল্টিভেসনগী মীফম ফম্লগনি হায়রি।

মীফম অসি মমাঙ থাগী ২৯দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। ঈচাওনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকপদগী হয়েং জুন ১১গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। কুমসি চহীগী ওইনসু লৌ পানবদা খুদোংচাদবগী ফীভম লৈরিবসিগী মতাংদা খন্নগদবা মীফমদুদা লৌমী লূপশিং অমদি ভিলেজ কম্মিটিগী মীহুৎ পুন্নমক্না মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

কুকশিংসি ক্রিমিনেল ত্রাইব অমা ওইনা লাউথোকফম থোক্লে : এম আই ৱাই সী

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুথ সেন্টর (এম আই ৱাই সী)গী কোওর্দিনেটর টি পরিজাৎনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীতৈশিংগী মথক্তা খক নত্তনা বাংলাদেশ য়াওনা মালেমগী কাঙলুপ-ফূরুপ কয়াগী মথক্তা লান দারিবা কুকিশিংসি ক্রিমিনেল ত্রাইব অমা ওইনা লাউথোকফম থোকই হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, হৌখিবা জুন ৬তা জিরিবামগী সোরোক অতিংবী খুনৌদগী সোইবম শরতকুমারবু তমথীবা মওংদা হাৎলম্বসিনা কুকিশিংনা অতম্নন মীতৈশিংদা শিংনদুনা লান কাইহৌবনি। মণিপুরদা হৌখিবা মমাঙ চহীগী মে ৩দা কুকিশিংনা লান্দারক্তুনা য়ূম-কৈ মৈ থাবা, নুপী-অঙাং হাৎপা তমথীবা থবক কয়া চথরকখ্রবসু জিরিবামদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ পুন্নমক্না ফম্মিন্নদুনা মে ৫দা পিছ কম্মিটি অমা শেমখি। কম্মিটিসিগী মখাদা চহীসিগী জুন ৫ ফাওবা ঈৎ-চিক্লা লৈমিন্নরকখি। অসিগুম্বা কম্মিটিসিগী ফজরবা ৱাখল্লোন অমসুং ফিরেপসিবু কুকিশিংনা জুন ৬তা অতম্না থুগায়রকখ্রে।

মীতৈশিংগী লাইশঙ য়াওনা য়ূম ৮০ রোম মৈ থাখ্রে। মসিগী মনুংদা জিরিমুখ পুলিস আউট পোষ্ট, ছোটোবেক্রা পুলিস আউট পোষ্ট অমদি গোখাল ফোরেষ্ট বিট ওফিস য়াওখ্রে। অসিগুম্বা তমথীরবা টেররিজমগী থবকশিং অসি চথরকপদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা করিসু তৌবা ঙমদে। মসিগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্লসু য়েংদুনা লৈরে হায়রি।

মণিপুরদা কুকিশিংনা লান দারক্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না শৌগৎপা অরোনবা প্রোক্সি ৱাররনি। কুকিশিংগী লান্দাসি মমাঙদা পাল্লম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমুক হন্না পৱার পায়রকপগা লোয়ননা খূৎশম্নবা চথবা য়াররনি হায়বগী মওংদা মতম খরা লেপ্পুরগা অমুক চথরকপগী মওংনি। কুকিশিংগী থৌওংসি ইনি দয়া লৈঙাক্লা শৌগৎফম থোক্তে। মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। থৌওংসি য়ুনাইটেদ নেসন্সতা মরী লৈনবশিংনা খঙহনফম থোকই হায়রি।

পেদিয়াট্রিক কার্দিয়াক সর্জরিগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী মীদিয়া এদভাইজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসি রিমসকী বেন্টিং হোলদা পেদিয়াট্রিক কার্দিয়াক সর্জরি হায়বা হীরমসিদা কন্টিন্যুইং মেদিকেল এদ্যুকেসন কম ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ৱার্কশোপ অদু রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী কার্দিওথোরাসিক এন্দ ভাস্ক্যুলর সর্জরি য়ুনিটনা রাষ্ট্রিয়া স্বাস্থ্য কর্যক্রম, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমসুং এসোসিএসন ওফ সার্জন্ট ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেট চেপ্টরগা খূৎশম্নদুনা শীনখিবনি। ৱার্কশোপ অদু রিমস ইম্ফালগী দিরেক্তর প্রোফেসর জি সুনিল কুমারনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুগী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা রিমসকী দিরেক্তর জি সুনিল কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হয়েংদগী রিমসনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা পেদিয়াট্রিক সর্জরিগী কেস অনী পাঙথোক্তুনা মরু ওইবা নীংশিং নুমিৎ অমা ওইহৌরগনি। অদুম ওইনমক রিমসনা ঙসি চহী ৫০ শুরক্লবসু মসিগী মেন পৱারদদি অৱাৎপা কয়া অমা লৈরি। অদুম ওইনমক রিমসনা খ্বাইদগী ফবা থাক্কী ফেসিলিটিশিং পীনবা শেমগৎ-শাগৎলি। হৌজিক-হৌজিক রিমসতা কার্দিয়াক সার্জন্ট অহুম্না মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা অসিমক শীংথানিংঙাই ওইরি। প্রোজেক্ট অসিনা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি রিমসতা ওপন হার্ট সর্জরি ফাওবা মমল লৌদনা ষ্টেট অসিগীদা নত্তনা য়ূল্লোন্নবা ষ্টেটশিংগী হার্টকী অনাবশিংদা মতেং পাংবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাওখৎ লমজেলদা পুলিসনা মীয়ামগী মতেং পাংগনি : বিক্রমজিৎ

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ককচিং টাউন অসি চাওখৎ লমজেলদা খুন্মাং য়াংশিল্লক্লিবা লমদম অমনি। লমদমসিগী লো এন্দ ওর্দর নীংথিনা ঙাক্তুনা মীয়াম্না চাওখৎ লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনবদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীয়ামগী মতেং পাংগনি হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা ককচিং কৈথেল থোংখোঙদা শাবা পুলিস বুথ অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা এস পি বিক্রমজিৎনা ৱাফমশিংসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ঙসি পুলিসশিংনা অহিং-নুংথিল নাইদনা মথৌ তৌবদা হেন্না খুদোংচানবা পুলিস বুথ শাবীদুনা খূৎশিন্নরকপসি য়াম্না লাইবক ফবনি। ককচিংগী অতোপ-অতোপ্পা মফমশিং সেকমাইজিন, উমাথেল, হিয়াংলম-ৱাবগাই লমখায় অমদি পল্লেলনচিংবদসু পুলিস বুথশিং থমদুনা মীয়ামদা লো এন্দ ওর্দর নীংথিনা লৈহন্দুনা তংদু লৈতানা লৈবা অমসুং মীয়াম্না পুলিসকী মথৌ তারকপদা খুদক-খুদক্তা মতেং পাংবা ঙম্নবসু মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]